**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-03-2025)**

**বিমোল (এল)ঃ** মনিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিং অয়েৎ অপন পীরিবশিং অকনবা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়না এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি চগুখিবা সংসদকী লোক সভা মীফমদা সভাগী পুকিং চিংশিনখ্রে।

মীফম অদুগী জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী এম.পি. বিমোল অকোইজমনা হায়- মনিপুরগী হায়ৱে অনি মরুওইনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী মখল মখা কয়াগী অয়েৎপ অপন পীদুনা লাক্লি। মসিনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা চৈথেং পীরি।

মনিপুরদগী কিলোমিটর ২০০ রোমতমক লাপ্পা দিমাপুরদা পীরিবা পোৎ-চৈগী মমলগা রাজ্য অসিগা চাউনা খেৎনরি। মসিগী খুদম হায়ববু দিমাপুরদা সিমেন্ট বেগ অমদা লুপা ৩০০ দগী ৩৫০ রোমগী মমল পীরবসু ইম্ফালদা বেগ অমদা লুপা ৭০০ হেন্না পীরি। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদগী অতোপ্পা রাজ্যশিংদা চৎনিংবা মীওইশিং লম্বীশিং অসিদা চৎপা য়াদবনা এরোপ্লেন টিকেট ককবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োকরে।

মহাকা হায়-মনিপুরগী রাজ্যপালগী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎপ অপন পীদনবা হোৎনরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু, হৌজিকসু মখা তানা অয়েৎপ অপন কয়া পীদুনা লৈঙাকা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংদা শিংনদুনা থবক তৌরক্লিবশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে।

**জজ (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা আইনগী

থবকশিং করমা পায়খৎলি অমদি ইরাংনা শোকহল্লবশিং হকথেংননা য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ তরুক মনিপুরদা লাক্কদৌরি।

থা অসিগী ২২ দা লাক্কদৌরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং অদুদি-জষ্টিস-বি.আর. গভাই, সুরিয়া কান্ত, বিক্রম নাথ, এম.এম. সুনদ্রেস, কে.ভি. বিশ্বনাথন অমদি এন.কোতিশ্বরনি।

মখোয়না রাজ্য অসিগী ইরাংদা শোকহল্লবা মীওইশিংবু শৌগৎপা ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনগনি। খোঙচৎ অসি নালসাগী একজিকুত্যিভ চেয়রমেন জস্তিস দি.আর গভাইনা লুচিংগনি।

জজ কাংবু অসিনা থা অসিগী ২২ দা ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা হেক থুংবগা চুরাচান্দপুর জিলাদা হেলিকোপ্তরদা চৎকনি অমসুং জিলা অসিগী সদভাবনা মান্দবতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংদুনা লিগেল এদ কেম্প অমসুং মেদিকেল কেম্পশিং হৌদোক্কনি। তেংবাংগী পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নগনি।

মদুগী তুদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা লাক্তুনা মোইরাং কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংদুনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোক্কনি। লোয়ননা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদবা মনিপুর হায় কোর্ট হাংদোকখিবা চহি ১২ ফাবগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

**অমজ (এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) না মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইতি (মেক্স) কা খুৎশমদুনা ঐচ.আই.ভি.-এইদসকা মরী লৈননা ই-পাউ ফোংবদা ঙাকা চৎকদবা হীরমশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা পাউমীশিংগী ওইবা ৱাখল তামীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মেক্সকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-সামিম অহমদ সাহনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। অমজগী প্রসিদেন্ট-বিজয় ককচিংতাবমনা থৌরম মপু ওইখি। মেক্সকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-সামিম অহমদ সাহনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা

হায়-ঐচ.আই.ভি-এইদসকা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু করমা লোয়নগনি। অমদি মখোয়গী মমিং-মথা লৈফমনচিংবা য়াওনা মরুওইবা রেকোর্ডশিং করমা থমগনি। লোয়ননা হায়রিবা রেকোর্ডশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবা অমদি হায়দোকপা য়াব্রা হায়বসি ক্পা খঙজিনবা তঙাইফদে। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা আই.ই.সি. অমদি এম.এস.টি. দিভিজনেল এসিষ্টেন্ট-ওমাজিৎ লৈশাংথেমনা ঐচ.আই.ভি. অমদি এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল এক্ট-২০১৭ গী মতাংদা অমদি মেক্সকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (দি.এন.পি)-ফনজোবম লানঙম্বনা ইথিক্স ওফ মেদিয়া রিপোর্টিং ওন ঐচ.আই.ভি-এইদস হায়বা হীরমশিং অসিদা ৱা ঙাংখি।

**ককচিং(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফাল অমদি এল্লাইয়েন্স ফোর দিবলপমেন্ট অলটরনেটিব মনিপুর (এদাম) না শিনদুনা বাইন্দ স্কিমগী মখাদা নুপা অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা অকোইবগী ফিভম কনবদা লৌবা য়াবা থৌদাং হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী অঙন চীং ইকো পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী ফোরেষ্ট ওফিসার-ডা: লৈশাংথেম জেসিলি, ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট-ক্ষেত্রিময়ুম সুরজিৎ, অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ প্রোগ্রাম-নোংথোম্বম রোমা অমদি কর্ম্মচারিশিং শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী উমংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উমং কনশি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎশিং চৎখ্রে।

বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রমনা লমথাখি। তোঙান তোঙানবা স্কুল অহুমগী মহৈরোইশিং শরুক য়াবা খোঙচৎ

অদুদা তুংগী মীরোলগীদমক পৃথিবীগী থন্বোবী ওইরিবা উ পান্বীশিং কল্লসি হায়না ইবা প্লে কার্ডশিং শিজিন্নখি। খোঙচৎ অদু বিষ্ণুপুর কৈথেলদা লমথুংফম ওইখি।

চান্দেল জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা শিনদুনা খোঙচৎ অমসু চৎখি। মহৈরোই য়াওনা পুন্না মীওই ৪০০ রোমনা শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদু চান্দেল জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতগী লমথাখি। মদুদা, উমংনা ঐখোয়গী থৱায়নি, উমং কনশি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি। খোঙচৎ অদু চান্দেল কৈথেল ফাওদুনা লাক্লবা মতুং জিলা অসিগী নুপী কৈথেলদা লোয়শিনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি.সি. কমপ্লেক্স অমদি নুপী কৈথেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়াসু থাখি।

উখ্রুল টাউন্দদা ঙসি উখ্রুল জিলাগী মহৈরোইশিংনা উ য়ানথৎলোইশি, উ থাসি, উমং কনসি, ঐখোয়গী চিংঞ্জাক কনসি হায়বা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু ঐখোয়দা মখল মখাগী চিঞ্জাক ফংহল্লিবা উমং ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা মীয়ামদা খঙহন্নবা উখ্রুল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসনা শিনবনি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল প্রোগ্রামনা শিনদুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-সাইতু গমফাজোলগী ষ্টাফশিং অমদি ডাক্তর-জমলালগী মীৎয়েং মখাদা সিপিজাং রিলিফ কেম্প, জি. সোলুং রিলিফ কেম্প হায়রিবা মফমশিং অসিদা চৎতুনা অনা লায়েংগী থবকশিং চত্থখ্রে হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** লৈবাক অসিদগী টি.বি. লায়না মুত্থৎনবগী পান্দমদা নুমিৎ ১০০ নি চুপা চত্থবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি থৌবাল জিলাগী কে.এম. ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমগা লোয়ননা লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু জিলা অসিগী নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামনা শিনদুনা পাঙথোকপনি। মদুদা, দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার অমদি দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেটরনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** জৈলাদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্গচুরিনা শোকহল্লবা খুলশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু জোইন্ট কো-ওর্দিনেটিং কমিতি, ভিলেজ ওথোরিতি চেয়ারমেন কাউন্সিল, চেয়ারমেন এন্দ সেক্রেটরি এসোসিয়েসন-তমেংলোং, নাগা কাউন্সিল মনিপুর, জেমে নাগা কাউন্সিল মনিপুর অমদি জৈলাদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্গচুরি এফেক্টেদ ভিলেজসগা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

**নদ্দা** ঃ হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক জন ঔসাদিগী হিদাক য়োনবা লিশিং ১৫ লৈরি। লাক্লিবা চহি অনিগী মনুংদা লিশিং তরা অমগা হাংদোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

ৱাফম অসি ঙসি চথ্নখিবা সংসদকী রাজ্য সভাদা মীফমদা হকশেল বিভাগকী মতাংদা খন্ন-নৈনবদা পাউখুম পীরদুনা ফোংদোকখিবনি। শ্রী নদ্দানা হায়-জন ঔসাদিগী হিদাক য়োনফমশিং অসিনা অহোংবা মমলদা হিদাক লাংথক ফংহনবদগী হৌজিক ফাওবদা অনাবশিংনা চংগদবা শেনফমদগী লুপা কোতি লিশিং ৩০ হন্থহনবা ঙমলে। ইং ২০১৭ তা হৌদোকখিবা নেসনেল হেলথ পোলিসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী নদ্দানা হায়-থৌশিল অসিগী মনংদা অহল ওইরবশিং অমদি অরুবা লায়নাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা, লায়ওং খঙনা লায়েংদুনা অনাবা ফহনবা, পুকিং ৱাখল অমদি হকচাং ফগৎহন্নবা হোৎনবা অমদি নারক্ত্রিবৈঙদা ঙাকথোকহৌনবগী লম্বী কয়া য়াওরি।

**সংসদঃ** টেরোরিজম মুথৎনবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মহয়

চাবা ফংবা হৌরে হায়না কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দ রাইনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি চথখিবা সংসদকী রাজ্য সভা মীফমদা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী নিত্যনান্দ রাইনা হায়-সরকার অসিনা টেরোরিজম লৈহন্দবা হায়বা পান দমদা পায়খৎখিবা থৌরাংশিংগী মহয় ওইনা লৈবাক অসিদা টেরোরিজমগী ওইবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরক্লি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) বু হেন্না মপাঙ্গল কলহন দুনা লৈবাক অসিগী মনুংদা থোকপা থৌদোকশিং খক নত্তনা মপান লৈবাক্তা থোকপা টেরোরিজমগা মরী লৈনবা থবকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। মদুগী মনুংদা লন্দনদা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিসন অমদি সেন্ট ফ্রেন্সিকোদা লৈবা ভারতকী কন্সুলেট জেনরেলদা চথখিবা এট্টেকশিংগী মরী মখোঙ পুথোকখিবগী মতাংদসু সভাদা পনখি।

**এষ্ট্রোনোট ঃ** নাসাগী এষ্ট্রোনোটশিং সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং বটস ৱিলমোর ঙসি অয়ুক অঙনবদা স্পেচ-এক্স ক্রু দ্রাগোন স্পেচ ক্রাফট তোংদুনা পৃথিবীদা হল্লক্লে। মখোয়গী স্পেচ এক্স কেপসুল অদু পেরাচুদ শিজিন্নদুনা গল্ফ ওফ মেক্সিকোদা তাখি। মখোয়না ফ্লোরিদা পেন হেন্দলগী মনুং চনবা তলাহসি সমুদ্রদা থুংলখিবা অদুগা লোয়ননা এষ্টোনোট অনি অসিগী থা ৯ গী খুদোংথিনিঙাই ওইবা খোঙচৎ অদু লোইশিনখ্রে। মসিগা লোয়ননা এষ্ট্রোনোটশিং অসিনা নাসাগী নিক হেক অমসুং রসিয়াগী কোস্মোনোট আলেকজেন্দর গোরবুনোভকা ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসন, আই.এস.এস ষ্টাফ রোটেসন মিসনদা স্পেচ এক্সকী ক্রু নাইনদা চৎপগী খোঙচৎ অদু লোইশিল্লে। ৱিল মোর অমসুং ৱিল্লিয়মস মমাং চহিগী জনদগী ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা লৈরকপনি। বোইং ষ্টারলাইন্নর স্পেচ ক্রাফটকী মী তোংবা অহানবা মিসনগী মতুংদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা থোরকপদগী মখোয় হল্লকপা

য়াদনা লৈরকপনি।

কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়- সুনিতা ৱিল্লিয়মসনা হল্লকপা অসি মায় পাকপগী তাঙলবা মীকুপ অমনি। সোসিয়ল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়- হোৎনবা কনবী ভারত নিংঙোল অসিনা অশোই অঙাম য়াওদনা হল্লকপা অসিদা মালেম পুমমক পুনশিন্নদুনা হরাউ নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

সুনিতা ৱিল্লিয়মস য়াওনা নাসাগী ক্রু নাইন পৃথিবীদা হল্লকপা অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনসু নুংঙাইব ফোংদোক্লি। ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়- ভারত নিংঙোল সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং অতৈ এষ্ট্রোনোটশিং য়াওবা ক্রু অদুনা স্পেচতা মীওইবগী তৌবা ঙম্বগী ইতিহাস অমুক হন্না ইরে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী মেটচতা সাই আর.সিনা দা এঠলেটিক্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টৌইন্তি থ্রি হাউবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরবু ৱিকেট অনিদা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকা রুল-মৈত্রমবু রন-১৪২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাউ-থাংমৈবন্দনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু রন-১৩১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** মনিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈ ভোলুন্টরি ৱাকর এসোসিয়েসন-ময়াং ইম্ফালনা শিনদুনা ৪৭ শুবা জ্নিয়ার বোইজ অমদি গালর্সকী ষ্টেট লেবেল হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী ময়াং ইম্ফাল কোকচাই লৈকাই গ্রাউন্দ হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৬ না শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা ও.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২৫ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ভারতকী ফুটবোল টিম অমদি মালদ্বিপসকা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা ঙসি শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

ঙসি নুমিদাং পুং তরেৎতগী শান্নবা হৌখিবা মেটচ অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা টিম অনিমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদ্রি। মনিপুরদগী সুরেজ ৱাংজম অমদি নাউরেম মহেস ফার্ষ্ট এলবেন ফংদুনা মেটচ অসিদা শরুক য়ারি। চিংলেনসন্না, জিক্সন, রোসন অমদি বোরিসনা সবসটিট্যুট ওইনা লৈরি।